এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ লোইশিনখ্রে

# চুস্বাং য়ুঠ ক্লবনা কানখু এথলেটিক থোইদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেলনা শীন্দুনা চথুরকপা এ দি সী চান্দেল ট্রোফি ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা চুস্বাং য়ুঠ ক্লবনা কানখু এথলেটিক ফুটবোল ক্লবপু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখিবা চুস্বাং য়ুঠ ক্লব মথং চহীদগী সুপর দিভিজন লীগতা প্রমোট তৌরগনি।

লিৱা সরৈ গ্রাউন্দদা চুস্বাং য়ুঠ ক্লব অমদি কানখু এথলেটিক অনীনা শান্নখিবা মেটচতা কানখুগী দরথাংথিংনা শান্নবা হৌরকপগী ৬শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং চুস্বাংগী অহোংনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা ফাহরিংনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা কানখুগী গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। মখা তানা সুংরিমনা অমুক হন্না শান্নবগী ৩৩দা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা ২-২দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা দাইমসনা শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা চুস্বাংগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা গোল হাপচিনবা ঙম্লদবদগী চুস্বাংনা কানখু এথলেটিকপু ৩-২দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অদুদা রেফরি ঐচ এল অটলিনা কানখুগী অলেট অমদি দারথাংথিং অদুগা চুস্বাংগী তাইমনহোই অমদি নিঙ্গিরবু য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা এ দি সী চান্দেলগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর সৈমিনথাং লেনথাংনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, জাইওন্টলাং গ্রাউন্দদা চথুরিবা দি সী চান্দেল ট্রোফি সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অনীদা মায় পাক্তুনা এস এ এস এ অমদি জাফৌ য়ুঠ ক্লব ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এস এ এস এনা চেংখু য়ুঠ ক্লবপু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

এস এ এস এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু রেংমিসননা ২ অদুগা রেংমিনথাংনা ১ চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা জাফৌ য়ুঠ ক্লবনা মোন্সাং পান্থাবু লাকচনা ৭-১দা মায়থীবা পীখি। জাফৌগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস ঐচ অলফ্রেন্দ অমদি আর এল মোটিলালনা ৩/৩ অমদি দল্লিয়ু ৱাংলরনা ১ চনখি।

## ষ্টেটকী য়ু-১৭ ফুটবোল্লরশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): কোলোম্বোদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এস এ এফ এফ চেম্পিয়নশিপতা ৱিন্নর ওইদুনা সাউদি অরাবিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী এসিয়ন কপ ২০২৩ ক্বালিফাই ওইরকখ্রবা ইন্দিয়ন অন্দর-১৭ নেসনল টিমদা শরুক য়াখিবা ষ্টেটকী ফুটবোল্লর ৮না শগোলশেন নুমিৎতা ইম্ফালদা হেক থুংলবগা নুমিৎ অসিমক্তদা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না শীন্দুনা ক্বাকৈথেলদা লৈবা অমুকোগী ওফিসতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।


শান্নরোয়শিং অদুদি টি মালেমঙানবা, ঙাংবম সুরজ কুমার, বোবি কোরৌ, রিক্কি মৈতৈ, ও ফোনিক্স, এল দোনি, শাইজা ঙারিন অমদি থাংলানসোন গাংটেনি।

থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ নন্দো লুৱাং, ভাইস প্রসিদেন্ট কে হেলেন অমদি এম এম থম্বৌনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরী হায়বা কাঙলূপ অসি মথৌনা মরিংজেল য়াম্না লৈবা মীনা লাকচবা য়াদবা মীওই ঙাক্তনি। শাংলবা চহী কয়া চা কয়া য়ূমথংনবা লৈবাক কয়াদা লান শোক্নদুনা মায়থীবা পীবা ঙম্লম্বা অমদি চাইনা য়াওনা চাওর-চাওরবা লৈঙাক কয়াগা লান্থেংনরকখ্রবা মণিপুরগী মপারীশিংগী চারোন-শুরোন ওইরিবা ঐখোয়না মালেমগী শান্নবুংদা মকোক থোংবা ঙম্লকপা অসি ঐখোয়গী চাওথোকচবনি।

তুংদা হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিং, মহৈরোয়শিং পূম্নমক্না লমদম অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্নবা হেন্না হোৎনসি হায়খিবগা লোয়ননা অমুকোগী মায়কৈদগীসু অঙম্বা মতেং পাংখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## দল্লিয়ু য়ু এফ সী অমদি নেসুনা সনফিষ্ট কপ য়ু-১৩ অমদি ১৬কী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): এস পি টি স্পোর্টসনা শীন্দুনা চথুরকপা সনফিষ্ট কপ অন্দর-১৩ অমদি অন্দর-১৬ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হি য়াই গ্রাউন্দ লুৱাংশংবমদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা দল্লিয়ু য়ু এফ সী ৱাংজিংনা অন্দর-১৩গী অমদি নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (নেসু) খুরাইনা অন্দর-১৬কী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

য়ু-১৩গী ফাইনেলদা দল্লিয়ু য়ু এফ সী ৱাংজিংনা এ এফ সী পুখাওবু ২-০দা মায়থীবা পীরগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। ৱাংজিং টিমগী মায় পাকপগী গোল অনী অদু দেজো অথোকপমনা চনখিবনি।

অতোপ্পা য়ু-১৬কী ফাইনেলদা নেসু খুরাইনা এফ ৪ সী সাইকুলবু টাই ব্রেকতা ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

মায় পাকখিবা দল্লিয়ু য়ু এফ সী ৱাংজিং অমদি নেসু খুরাই অনীনা মণিপুর মার্শেল রিপ্রজেন্ট তৌদুনা গুৱাহাটিদা নভেম্বর ২০দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এন ঈ জুনিয়র চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈনা অথোইবা মীথুংলেন, অপাইবী ভেঞ্চরগী ফাউন্দর য়াম্বেম অরুননা থৌরম মপু অদুগা তাবিথা চিলদ্রেন হোমগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর ডা. থানসোক কামপ্রা অমদি লৈঙাক্কী কন্ট্রেক্টর নোংথোম্বম রঘুমণিনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## ইন্টর কোলেজ হেন্দবোল হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): শ্রীশ্রী গৌরোগোবিন্দ গর্লস কোলেজ খুরাইনা হোষ্ট ওইদুনা নুপা অমদি নুপীগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ হেন্দবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পুং ২দা চীংঙারেল তেজপুরদা লৈবা ৱাই এল কে গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

নুপাগী ওইনা টিম ৪ অদুগা নুপীগী ওইনা টিম ৩না শরুক য়ারগনি।

## এঞ্জল ক্লব ফর্ষ্ট দিভিজনদা প্রমোট তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা চথুরকপা ১৬শুবা এন বালানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লোইশিনখিবগা লোয়ননা এঞ্জল ক্লব থিনুঙ্গৈনা পোইন্ট ১৪ ফংদুনা ৱিন্নর ওইখিবগা লোয়ননা মথং চহীদগী ফর্ষ্ট দিভিজন লীগতা প্রমোট তৌখ্রে।

লীগ অসিদা এন জি ৱাই দি সী ঙাকচৌপোকপীনা চপ মান্নবা পোইন্ট ১৪ ফংমিন্নদুনা গোল দিফরেন্সতা অনীশুবা মফম অদুগা লোক্তাক এফ সীনা পোইন্ট ৮ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা লীগকী অরোইবা মেটচতা এঞ্জল এফ সী থিনুঙ্গৈ অমদি এন জি ৱাই দি সী ঙাকচৌপোকপী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখিবগা লোয়ননা পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখিবনি।

## ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ৩৬ শুবা এন হাজারি অমদি ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০২২ থা অসিগী ২২দগী হৌদুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্লগনি।

শরুক য়ানিংবা ক্লব অমদি টিমশিংনা এন্ট্রি ফী লুপা ৫০০গা লোয়ননা থা অসিগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসনগী ওফিসতা পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

ক্লবশিং নৌনা এফিলিএসন তৌবা অদুগা শান্নরোয়শিংগী চহী ২০২২-২৩গী ট্রান্সফর, নৌনা রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবা অমদি রিন্যুএলগী মতম্না ওক্টোবর ১৬তগী ১৯ ফাওবা নুংথিল পুং ১দগী ৫ ফাওবা ইম্ফাল পোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক এসোসিএসনগী ওফিসতগী ওফিস অৱর মনুংদা লাক্তুনা খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

## মণিপুর হোক্কীনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): হোক্কী ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বমবু অমুক হন্না হোক্কী ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিভ বোর্দকী এসোসিএট জোইন্ট সেক্রেটরি ওইনা খল্লকপদা মণিপুর হোক্কীগী মায়কৈদগী হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর হোক্কীগী সী ঈ ও মাইস্নাম বিজিৎনা খঙহল্লকপদা গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম হোক্কী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ২০২০দগী ২০২২ ফাওবা চহী ২গী থৌ পুরমখি। মহাক ষ্টেট হোক্কীগী গভর্নিং বোদি ওইরিবা মণিপুর হোক্কীনসু মহাক্কী চোকথবা লৈতবা ষ্টেট অসিদা হোক্কী মশান্নবু চাউখৎনবা পায়খৎলকপা থবকশিংবু শকখঙদুনা 'দি আর্কিটেক ওফ মণিপুর হোক্কী' হায়না মিংথোল পীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রবা মীওইনি।

মহাক্না লমদম অসিগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী ওইনা হোক্কী মশান্নবু হেন্না চাউখৎনবা থৌদাং লৌরক্কনি হায়বা থাজবা থল্লি হায়না মণিপুর হোক্কী চেরোল অদুনা মখা তারি।

## সেপাক টাক্রো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাটাগী কালিকাপুরদা লৈবা জ্যোটিরমোই নোলেজ পার্কতা থা অসিগী ১৬তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২শুবা সিনিয়র (মেন এন্দ ৱিমেন) নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা নুপা অমদি নুপী টিম শগোলশেন নুমিৎতা ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় ১৫/১৫, কোচ ৪, মেনেজর ২ অমদি ওফিসল ৪ পূন্না মীওই ৪০না শাবা ষ্টেট টিম অসি ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসনগী দেপ্যুটি প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু জিতেননা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মগী মমাংদগী লমথাদুনা কোলকাটাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

## ডা. ৱাইখোম গোজেন এস এ এমগী এদভাইজর খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): সেভাটে এসোসিএসন ইন্দিয়া (এস এ আই)গী ষ্টেট রিপ্রজেন্টেটিভসু ওইরিবা অমদি সেভাটে এসোসিএসন মণিপুর (এস এ এম)গী প্রসিদেন্ট থৌসু পুরিবা মাষ্টর সী ঐচ প্রেমচন্দ্রনা ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্তা মখা লৈকাইদা লৈবা ডা. ৱাইখোম গোজেন মীতৈবু এস এ এম মণিপুরগী এদভাইজর ওইনা হাপ্পদা অয়াবা পীখ্রে।

এস এ এমগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. নোংমাইথেম রামচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, ডা. গোজেনবু এদভাইজর হাপ্পা অসিনা ষ্টেট অসিদা সেভাটে মশান্নবু পাক শন্না শন্দোক্নবা হোৎনবদা মপূং ফাবা অমা ওইরগনি হায়খি।

অমরোমদা, চেরোল অদুনা মখা তারদুনা নভেম্বর ১২দা ন্যু দেল্লীদা পাঙথোক্কদবা রেফরি, জজেজ অমদি কোচকী এগজাম ২০২২দা শরুক য়ানিংবা মার্সিএল আর্টকী ওজাশিংনা মশাগী রেঙ্ক দিপ্লোমা, পাসপোর্ট ফোটো ২/২ অমদি আধার কোপীশিং খুরাই লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা এস এ এমগী ওফিসতা পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

HL-B/7775/2/10,11,12/10-2/12(alt)

## ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# সোরেজকী মখাদা কোষ্টা রিকানা ২০১৪গী পর্ফোরমেন্সতগী হেন্নবা হোৎনগদৌরি




### নুমিৎ ৩৫নি খক্তা ঙাইরে কুইশিল্লক্লে উবা ফংগদবা



কোষ্টা রিকাগী হেদ কোচ লুইস ফর্নান্দো সোরেজ গুজমেন

তোঙান-তোঙানবা লেটিন অমেরিকাগী লৈবাক তরুক-কলম্বীয়া, ইক্বেদোর, পেরু, হোন্দুরস, মেক্সিকো অমদি কোষ্টা রিকাবু মেনেজ তৌরম্লবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা কোচ লুইস ফর্নান্দো সোরেজ গুজমেনগী লমজিং মখাদা কোষ্টা রিকানা মখোয়গী ২০১৪গী ৱর্ল্ড কপতা পীখিবা পর্ফোর্মেন্সতগী হেনবা ঙম্নবা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা হোৎনগদৌরি।

সোরেজনা ইক্বেদোর টিমবু লুচিংদুনা ২০০৬ ৱর্ল্ড কপতা রাউন্দ ওফ ১৬ য়ৌহনখি অমদি এথলেটিকো নেসনলদা লৈদুনা ১৯৯৯ কলম্বীয়ন চেম্পিয়নশিপ লৌহনখি।

দিফেন্স লাইনবু পানগদৌরি।

মহাক ২০১৪গী ফিফা ৱর্ল্ড কপতা অচৌবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা য়ু ঈ এফ এ চেম্পিয়ন্স লীগ ক্রাউন অহুম্লক ফংলবা শান্নরোয় অমসুনি।

নেসনল টিমগী খ্বাইদগী য়াম্না ইন্টরনেসনল মেটচ শান্নরবা নীংথিনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা ব্রাইন রুইসনা মহাক্কী ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং কটার মেগা ইভেন্ট অসিদা ফেনশিংবু পেলহন্নবা হোৎনগদৌরি।

### কটার ২০২২দা মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবা কোষ্টা রিকাগী শান্নরোয় মঙা



কিলর নভাস (গোলকিপর) | ব্রাইন রুইস (মিদফিল্ডর) | জোইল কেম্পবেল (ফোরৱার্দ) | চেলসো বোর্গস (মিদফিল্ডর) | জেৱিসন বেন্নিট (ফোরৱার্দ)

কোষ্টা রিকানা ১৯৯০দগী অহানবা ওইনা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল রাউন্দ চঙলকখিবদগী হন্দক্কী কটার ২০২২ অসিনা ৬লক শুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি। মসিগী মনুংদা ২০১৪গী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্সসু ওইরি।

চহী ৮গী মমাংদা শরুক য়াখিবা কোষ্টা রিকাগী স্কৱাদ অয়াম্বা হন্দক্কী কটারগী গ্লোবেল শো পীছ অসিদা শরুক য়াগদৌরি। সেন্ট্রেল অমেরিকাগী ফুটবোলগী পুৱারীদা অচৌবা মমিং লৈরবা কোষ্টারিকান ফুটবোলগী অনদিস্প্যুটেদ হিরো ওইরিবা গোলকিপর পোজিসনদা শান্নরিবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা কিলর নভাসনা কোষ্টা রিকাগী অরোইবা হোৎনগদৌরি।

কোষ্টা রিকাগী শার্প শুটরসু ওইরিবা গোল য়াম্না চনগনবা হন্দক্কী কটার ২০২২গী ক্বালিফায়িং কেম্প্যেন মনুংদা গোল ৩ চনখিবা জোইল কেম্পবেল, এক্সপরিয়েন্স লৈবা ইন্টরনেসনল মেটচ ১৫৩ শরুক য়াখ্রবা চেলসো বোর্গস অমদি নৌনা মচীন তুমখৎলক্লিবা কোষ্টা রিকাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবা জেৱিসন বেন্নিটনা কটার মেগা স্পোর্টস ইভেন্ট অসিদা তোপ-তোপ্পা পর্ফোর্মেন্সশিং পীবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।

| Date | Match Details (Grp-E) | Venue |
|---|---|---|
| November 23 | Costa Rica vs Spain | Al Thumama Stadium |
| November 27 | Costa Rica vs Japan | Ahmed Bin Ali Stadium |
| December 01 | Costa Rica vs Germany | Al Bayt Stadium |

## ষ্টেটকী বোক্সর ৩ ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌনবা খল্লক্লে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫(ঐচএনএস): স্পেনগী লা নুসিয়াদা নভেম্বর ১৩দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুঠ মেন এন্দ ৱিমেন ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া টিম রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক ষ্টেটকী বোক্সর অহুম অমদি ইন্দিয়া টিমগী কোচ ওইনবা সাই উৎলৌগী কোচ অমা খল্লক্লে হায়না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি পি ঐচ ধনজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা সাই উৎলৌগী কোচ অদুদি সোনু অশোক টকনি অদুগা শান্নরোয়শিং অদুনা সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমিগী টি ঐচ কুঞ্জরানী (কেজি ৬০), মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী হুইদ্রোম গ্রিভিয়া (কেজি ৫৪) অমদি এলাংবম থোইথোই (কেজি ৪৮)নি।


বোক্সর অহুম্মক বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা ভোপালগী সাই রিজনেল সেন্টরদা পাঙথোকপা নেসনল সেলেক্সন ট্রায়লদগী খনগৎলকপনি। বোক্সর অনী অমদি রোহটককী এন সী ও ঈদা পাঙথোকপা কোচিং কেম্পকীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894




HL-B/7804/19/8-16/9(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 600**

**Hannah Kuckling (1748) - Gerhard Schubert (2034)**
**Moehnesee Cup-A 37th Moehnesee (2), 2011.09.02**

1.e4 d6 2.d4 g6 3.Nc3 Bg7
4.Bc4 e6 5.Nf3 Ne7 6.O-O O-O
7.Be3 h6 8.Qd2 Kh7 9.Rad1 b6
10.Ne2 Nd7 11.h4 Bb7 12.Bd3 f5
13.exf5 Nxf5 14.Nf4 Bxf3 15.Nxe6 Qxh4
16.Nxf8+ Rxf8 17.gxf3 Ne5 18.dxe5 Bxe5
19.Rfe1...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 599 Ans. :**
19. Be5+ The white bishop decoys Black's king. The white bishop deflects Black's king away from protecting the square e7. Kxe5 20. Qe7+ Kf4 21. g3+
21. Qh4+ Ke5 22. Qe7+ Kf4
21. ...Kf3 22. Re1 Qxc2 23. Re3+ Kg4 24. Qh4#
19. Be5+ Kxe5 20. Qe7+ Be6 21. Re1+ Kd4 22. Qxc7
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com